# ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮
## নুপাগীদা এসৱাইয়ুসি অমদি নুপীগীদা সেয়ো না চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
মণিপুর হোক্কিনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৪ দগী ২৫ ফাওবা খুমন লম্পাক হোক্কি ষ্টেদিয়মদা চথুরিবা ষ্টেট লেভেল মেন এন্দ ৱুমেন হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এসৱাইয়ুসি অমদি নুপীগী ফাইনেল মেটচতা সেয়ো মায় পাক্তুনা চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা চেম্পিয়ন্সিপ ঙসি লোইশিনখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এসৱাইয়ুসি উচেক্কোন খুনৌনা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এসৱাইয়ুসি গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ রবিচন্দ্রনা মিনট ২৪ অমদি ৪২ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১৩ নেলসননা মিনট ১৭, জর্সি নম্বর ৬ এল দিপুনা মিনট ৪০দা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা হোক্কি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাইগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ১৭ ৱাই বিদ্যানন্দনা মিনট ৪৯ দা চনখি।

নুপীগী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা সেয়ো শিংজমৈ ক্ষেত্রি লৈকাইনা আইদেল তেরাবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

মায় পাক্লবা সেয়োগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এসঐচ জোটিবাসুনা মিনট ১৮ অমদি জর্সি নম্বর ৭ এল তানুনা মিনট ৪৮ তা গোল অমমম চনখি।

মায়থিরবা আইদেল তেরাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৮ এস রিচিচানা মিনট ২৫তা চনখি।

নুপীগী ঙসি অয়ুক্তা শান্নখিবা থার্দ পোজিসনদা বিষ্ণুপুর হোক্কিনা ৱাইসিসিআইসি কাংলাতোম্বীবু গোল ৪–০ দা মায়থিবা পীখি।

বিষ্ণুপুর হোক্কিগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ রিনানা মিনট ৩৭ অমদি ৫৬তা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ টিঐচ বিদ্যারানিনা মিনট ২১, জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ দৈনারিনা মিনট ৫০ দা গোল অমমম চনখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী জেনরেল সুনিল ইলাংবম, মণিপুর হোক্কিগী প্রসিদেন্ট বসুদেব সিংহ, হোক্কি ইন্দিয়াগী গ্যানেন্দ্রো নিঙোম্বম, মণিপুর হোক্কিগী লাইফ প্রসিদেন্ট থোইবা সিংহ, মণিপুর হোক্কিগী ভাইস প্রসিদেন্ট দব্লিউ শ্যাম সিংহ, মণিপুর হোক্কিগী এস সামু সিংহ, মণিপুর হোক্কিগী ইবোপিশক সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

# মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেল ২০১৮
## ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া–বি মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগা মরী লৈননা চহী খুদিংগী মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা মণিপুর পোলো ইন্টরনেসনেলগী ১২শুবা ইদিসন ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ইংলেন্দ অমদি ইন্দিয়া –বি মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ইংলেন্দনা ইন্দিয়া–এবু পাঞ্জল ১০–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ইংলেন্দগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জোস এমোরনা মিনট ১.২৬ অমদি জর্সি নম্বর ২ হেনরি এমোরনা পাঞ্জল অমমম, জর্সি নম্বর ১ জোস সিলতননা মিনট ২.০৭, ৪.৪০ দা পাঞ্জল অনী চনখি। অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জোস অমোরনা মিনট ৪.৩৬, ৭.২১ দা পাঞ্জল অনী অমদি জর্সি নম্বর ৪ বেন ইলিনা মিনট ৫.৫১ দা পাঞ্জল অমা চনখি।

অহুমশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ২ হেনরি এমোরনা মিনট ৪.৪৬ অমদি জর্সি নম্বর ১ জেস সুলতলনা মিনট ৫.১৯ দা পাঞ্জল অমমম চনখি।

মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৩ জোস অমোরনা মিনট ৬.০৮ তা পাঞ্জল অমা চনখি।

মায়থিরবা ইন্দিয়া–এগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু জর্সি নম্বর ৪ তাসেম সিংহ না মিনট ৬.৩৬ তা চনখি।

চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ইন্দিয়া–বিনা য়ুএসএবু পাঞ্জল ৭–২ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ইন্দিয়া–বি গী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ১.৩২, ২.২৭ দা পাঞ্জল অনী, জর্সি নম্বর ৩ এস বিমোলনা মিনট ৩.২৯ অমদি জর্সি নম্বর ২ পি ওজিৎনা মিনট ৬.৪১ দা পাঞ্জল অমমম চনখি।

অহুমশুবা চক্করদসু জর্সি নম্বর ১ টিঐচ কাওবনা মিনট ১.০৯, ১.৪২ দা পাঞ্জল অনী চনখি।

মরিশুবা চক্করদনা জর্সি নম্বর ৪ টি প্রদিপনা মিনট ৬.৪৫ তা চনখিবনি।

মায়থিরবা য়ুএসএ গী পাঞ্জলশিং অদু অনীশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ৪ চার্দ ব্রোনমেননা মিনট ০.৪৫ তা পাঞ্জল অমা অমদি মরিশুবা চক্করদা জর্সি নম্বর ১ কোনর দিলনা মিনট ২.০৪ দা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েংগী মেটচতা ইন্দিয়া–এ অমদি উরুগেগা শান্নরগনি।

# ফ্রেন্দলি ৱুমেন ফুটবোল এক্সিবিসন
## মণিপুর ১১(এ)না মন্দলে ১১বু মায়থিবা পীখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
হৌজিক হৌজিক পাঙথোক্লিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিভেলগী শরুক অমা ওইনা গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী এক্ট ইস পোলিসি কম্মিটি, দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস অমদি ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা পুন্না শীন্দুনা মণিপুর ১১(এ) অমদি মন্দলে ১১গী ওইবা ফ্রেন্দলি ৱুমেন ফুটবোল এক্সিবিসন মেটচ অমা ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলী ফুটবোল এক্সিবিসন মেটচ অসি হৌরকপদগী মণিপুরনা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি।

মেটচ অসিগী মিনট ১৮ চৎপা মতমদা ইন্দিয়াগী নুপী ফুটবোলদা মমিং লৈরবী মেটচ অসিদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ১০ লীৎখিবী এনজি বালানা হেন্দিংদা মেটচ অসিগী অহানবা গোল চনখি।

মেটচ অসিগী মিনট ২৪ চৎপা মতমদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ৪ এনজি সুইটিনা আউল গোল চনদুনা মেটচ অসিদা গোল ১–১ দা ওইখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী গোল হেন্না হাপচিন্নবা কন্না শান্নদুনা মেটচ অসিগী মিনট ৪১ দা জর্সি নম্বর ৯ এল রতনবালানা গোল অমগা চনদুনা অহানবা হাল্ফ লোইবা ফাওবদা মণিপুরনা গোল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌনদুনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পূক্লিং চীংশিনখি।

মণিপুরনা লেপ্পা লৈতনা চথরকখিবা এটেক্টশিংদা মেটচকী মিনট ৫৮ চৎপা মতমদা জর্সি নম্বর ৯ এন রতনবালাগীনা অনীশুবা গোল অমদি টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি।

শোৎনা লৈরিবা গোলশিং হন্দোক্লবা মন্দলেনা শান্নজরবসু অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী মেটচ অসিদা মণিপুরগী মখূৎতা গোল ৩–১ দা মায়থিবা নঙখি।

ইক্সিবিসন মেটচ অসিদা মণিপুরগী জর্সি নম্বর ৫ দব্লিউ লিন্থোইঙানবীদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ইক্সিবিসন মেটচ অসিগী হয়েংগী মেটচতা মণিপুর ১১ (বি) অমদি সগাইংগা শান্নরগনি।

মেটচ অসিদা এম রোসি দেবী, এস রিতনবালা দেবী, এল থোইবী দেবী অমদি ৱাই বিদ্যলাক্ষমি চনুনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ১, এসিষ্টেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর্থ ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮
## ভিএফসি অমদি এফসি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট ভেটরিয়ান ফুটবোল এসোসিয়েসন (বিদিভিএফএ) না শীন্দুনা বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২০ দগী হৌদুনা টিম ১০ না গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল বিষ্ণুপুর ভেটরান ফুটবোল ট্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচ ভিএফসি অমদি এটিভিএফএ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ভিএফসিনা এটিভিএফএবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা ভিএফসি গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ এস গান্ধীনা মেটচকী ৮শুবা মিনটতা গোল অমা অমদি জর্সি নম্বর ৮ আর কে সনাহলনা মেটচকী ৪৬শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা মায়থিরবা এটিভিএফএগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১১ মহমুন হমাংতেনা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচ এফসি অমদি আইবিএসএফএ টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবদা এফসিনা আইবিএসএফএবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা এফসিগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৭৪ এ দিলিপনা মেটচকী ২৫ অমদি ২৯শুবা মিনটতা গোল অনী চনখি।

মেটচ অসিদা এফসিগী শান্নরোই সুরচন্দ্রনা মেটচকী ১২শুবা অমদি আইবিএসএফএগী শান্নরোই এনজি নোপেননা মেটচকী ১৩শুবা মিনটতা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেটচ ওইনা হয়েংগী অহানবা মেটচতা বিদিভিএফএ অমদি চোল্লহ অমদি অনীশুবা মেটচতা সিসিপুর অমদি ভিএফসি লম্বা থেংনরগনি।

# কম্মন ৱেলঠকী সিলভর মেদালিষ্ট সনাথোই ওকখ্রে





ইম্ফাল, নবেম্বর ১৫ঃ
থা অসিগী ৪দগী ১১ ফাওবা জাইপুরদা পাঙথোকখিবা কম্মন ৱেলঠ জুদো চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮ তা ভারতকী শান্নরোই অমা ওইনা শরুক য়ারুবী, সিলভর মেডল লৌরকখ্রবী থৌবাল ৱাংমাতাবা সোরোক মখাদগী লাকপোক্লকপম রাবিনা ঙসি মণিপুর য়ৌরকখিবগা লোয়ননা মহাকপু মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

সোসিয়েল সার্ভিস এন্দ ৱেলফিয়র এসোসিয়েসন এসএসএদব্লিউএ থৌবালনা শীন্দুনা ৱাংমাতাবা সোরোক মখা কম্মুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ওকপগী থৌরম অদুদা থৌবাল মুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ১ গী কাউন্সিল্লর ওক্রম ইনাওতোম্বী দেবী, ৱার্দ মেম্বর এন অনিতা য়াওনা লৈকাই অহল কয়াসু শরুক য়াখি।

জুনিয়র ৱুমেন্স কেজি ৫৭ কেতেগোরিদা সিলভর লৌরকখ্রবী রেবিনা, এল ইঙোচা অমদি থাবাগী অনীশুবী মচানুপীনি। মচিন মনাও ৩ গী মনুংদা অনীশুবনি। মহাক হৌজিক পঞ্জাবকী সাই পাটিয়ালাদা লৈরি।

# করাটেকাস অহুম অমদি অনী ওফিসিয়েল খল্লক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
থা অসিগী ২৯ দগী দিসেম্বর ২ ফাওবা সাউথ আফ্রিকাগী ওলাইব কনভেসন দুরবান্দা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেলঠ কপ অমদি ৯শুবা কম্মনৱেলঠ করাটে চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা য়াওরুনবগীদমক মণিপুর এমেচর করাটে দো এসোসিয়েসন করাটেকাস ৩ অমদি ওফিসিয়েল অনী খল্লক্লে।

খল্লক্লবা করাটেকাস অমদি ওফিসিয়েলশিং অদুদি–রেফরিদা মুতুম বনকিম সিংহ, সোইবম বিনদেশ্বরী চনু নি। সব–জুনিয়র গার্লস ইন্দিভিজ্যুয়েল কাতাদা অরাধিয়া, সব–জুনিয়র গার্লস (চহি ১২) ৪২ কেজি কুমাইটতা মহারাবম এলিনা দেবী অমদি সব–জুনিয়র বোইজ (চহি ১৩) কেজি ৫৭ কুমাইতা অনকিট প্রদাস নি।




# ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ঃ
ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদা তুর তৌদুনা পাঙথোকপা অহুমশুবা টি–২০গী ঙসি সিদনি দা লৈবা সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দা ইন্দিয়া অমদি ওষ্ট্রেলিয়া টিম অনীনা লম্বা থেংনদুনা শান্নখিবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা ওষ্ট্রেলিয়ানা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১৬৪ লৌবা ঙমখি।

রনশিং অদু দি অর্সি সোর্টনা বোল ২৯ দা ফোর ৫ য়ৈরগা রন ২৯, অরোন ফিন্স (কেপ্টেন) না বোল ২৩ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৩, গ্লেন মেক্সৱেলনা বোল ১৬ তা ফোর ২ য়ৈরগা রন ১৩, এলেক্স কেরিনা বোল ১৯ দা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ২৭, ক্রিস লিননা বোল ১০ দা রন ১৩, মার্কস ষ্টৌইনিসনা বোল ১৫দা রন ২৫ অমদি নথাননা বোল ৭তা রন ১৩ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অসিদা ইন্দিয়াগী বোল্লিং ভুবনেশ্বর কুমারনা ওভর ৪ দা রন ৩৩, কে খালিল অহমদনা ওভর ৪তা রন ৩৫, য়াস্প্রিট পুমহনা ওভর ৪ দা রন ৩৮, খুলদিপ য়াদবনা ওভর ৪ দা ৱিকেট ১লৌরগা রন ১৯, ক্রুনাল পান্দিয়ানা ওভর দা ৱিকেট ৪ লৌরগা রন ৩৬ পীখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ইন্দিয়ানা ওভর ১৯.৪ দা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১৬৮ লৌদুনা ওষ্ট্রেলিয়াবু ৱিকেট ৬তা মায়থিবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী রনশিং অদু রোহিট শর্ম্মনা বোল ১৬তা ফোর ১ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ২৩, সিখর ধৱাননা বোল ২২ দা ফোর ৬ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ২২, ভিরাট কোহলিনা বোল ৪১ দা ফোর ৪ অমদি সিক্স ২ য়ৈরগা রন ৬১, রোকেস রাহুলনা বোল ২০ দা সিক্স ১ য়ৈরগা রন ১৪ অমদি দিনেস কার্থিকনা বোল ১৮দা ফোর ১ অমদি সিক্স ১ য়ৈরগা রন ২২ লৌদুনা মায় পাকখিবনি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com